# ১০শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ-২০১৫

## এ আই এম,এফ সি জালেন অমদি জেদ এফ সি অমসুং য়ু এস এ দ্রো ওইখ্রে

## চেম্পিয়ন্সিপকী মেটচতা থেংনগদবা টিম মরি মশক খঙখ্রে

**STATE LEAGUE**

**TODAY'S MATCH**

TRAU VS NEROCA FC ( 8:30 AM)

NACO VS SSU(12:30PM)

TRUGPU VS YPHU (2:30 PM)



*এফ সি জালেন অমদি এ আই এমনা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচকী মতাং অমা*

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯ :** ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা চখরিবা ১০শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমদি ১১শুবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচশিংদা এ আই এম খাবম লমখাই অমদি এফ সি জালেন সদর হিলস গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে অমসুং জেদ এফ সি চুড়াচান্দপুর অমদি য়ু এস এ খুরাই গোল ২–২ দা দ্রো ওইখ্রে।

লীগ অসিগী চেম্পিয়নগী মেটচতা থেংনগদবা টিম মরি মশক খঙবা ঙমখ্রে। টিমশিং অদুদি মেটচ অমা শান্নগদবা ৱাংলিবা নেরোকা এফ সি শঙাকফম (পোইন্ট ২৬), এ আই এম খাবম লমখাই (পোইন্ট ২২), নিসা থাংমৈবন্দ (পোইন্ট ২০) অমদি এফ সি জালেন সদর হিলস (পোইন্ট ১৯) নি।

ঙসিগী অহান্বা গ্রাউন্দদা ৬২শুবা মেটচ ওইনা এফ সি জালেন অমদি এ আই এমনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনিমক্না মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলগী পোজিসনদা অহোংবা লৈহন্নবগীদমক য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নরবসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী এ আই এমনা ২শুবা পোজিসনদা অমসুং এফ সি জালেননা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরগা চেম্পিয়ন মেটচকীদমক মফম কনবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুগী ২৭,৪০,৯৩ অমদি ৩৮শুবা মিনিত্তা এফ সি জালেনগী হাওতিনখুপ সিমতে, লুনজ্যুল হাওকিপ, দেবিদ ঙাইতে অমসুং এ আই এমগী টি তোনি মৈতৈদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

২শুবা গ্রাউন্দ ৬৩শুবা মেটচ ওইনা জেদ এফ সি অমদি য়ু এস এনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৮শুবা মিনিত্তা জে এফ সিগী ফুংতালিয়ন্না গীনমিনলুন্না পীরকপা পাস্তা অহান্বা গোল চনখিবনি। য়ু এস এনা পোরিবা গোল অদু ১৮শুবা মিনিত্তা সি ঐচ রিক্স মৈতৈনা পীরকপা পাস্তা এস সদানন্দ সিংহগী হেদ্দিংদা হন্দোক্তুনা অহান্বা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল ১–১ দা লৈহনখি।

অনিশুবা হাল্ফকী ৫৮শুবা মিনিত্তা য়ু এস এগী এস সুরচান্দ সিংহনা পালমৈ লানচালুং কবুইনা গোল এতেম্প তৌদুনা কাওশিনখিবা বোল অমা বারদগী থক্তোরকপা বোলদা চন্দুনা গোল ২–১ দা ঙাইহাক মাঙজিল থাদুনা চৎলন্নবসু থংনবা মিনিট ৫৯শুবা মিনিত্তা গোগৌ হাংশিংনা হেদ্দিংদা গীনমিনলুংনা কাওরকপা কোর্নর কিক্তগী পোরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা গোল ২–২ দা দ্রো ওইহনখিবনি। য়ু এস এগী ও অবুং, এম ধন্নচন্দ্র সিংহ অমদি জেদ এফ সিগী থাংমিনলুনদা রেফরিনা মথংশিংনা ৪৪,৭৩ অমসুং ৮০শুবা মিনিত্তা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

## LEAGUE POINT TABLE

| TEAMS | P | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| NEROCA-FC | 10 | 8 | 2 | 0 | 22 | 5 | 17 | 26 |
| AIM | 11 | 6 | 4 | 1 | 17 | 7 | 10 | 22 |
| NISA | 11 | 6 | 2 | 3 | 17 | 12 | 5 | 20 |
| FC ZALEN | 11 | 6 | 1 | 4 | 20 | 13 | 7 | 19 |
| SSU | 10 | 3 | 4 | 3 | 11 | 10 | 1 | 13 |
| TRAU | 10 | 4 | 1 | 5 | 10 | 12 | -2 | 13 |
| YPHU | 10 | 3 | 3 | 4 | 10 | 9 | 1 | 12 |
| TRUGPU | 10 | 3 | 2 | 5 | 10 | 15 | -5 | 11 |
| USA | 11 | 2 | 5 | 4 | 6 | 15 | -9 | 11 |
| NACO | 10 | 3 | 1 | 6 | 5 | 10 | -5 | 10 |
| ZFC | 11 | 2 | 3 | 6 | 9 | 21 | -12 | 9 |
| MPSC | 11 | 2 | 2 | 7 | 6 | 14 | -8 | 8 |

# নোর্থ ইষ্ট জোন ইন্টর ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ

## মণিপুর সেনিয়র অমদি জুনিয়ারগী টিম ইভেন্টতা ফাইনেল চংখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯ :** মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা দি এম কলেজ কেম্পস্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখরিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্টর ষ্টেট জোন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫ দা মণিপুর জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী টিম ইভেন্ট অনিমক্তা ফাইনেল চংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা জুনিয়ার টিম ইভেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু অমদি সেনিয়রগী সেমি ফাইনেল মেটচতনা মণিপুরনা মিজোরামবু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি।

মণিপুরনা জুনিয়রগী সেমি ফাইনেল মেটচতা অরুনাচল প্রদেশপু স্কোর ৩–২ দা মায় থীবা পীখি। মেটচ অদুগী অহান্বা সিঙ্গলস বোইজকীদা মণিপুরগী এল উনিলকুমার অরুনাচল প্রদেশকী লা তলরগী মখুৎতা ২৪–২২,২১–১৬ দা মায়থীখি। গার্লস সিঙ্গলসকী মেটচতসু মণিপুরগী এন অঙ্গিতা অরুনাচল প্রদেশকী লা য়াজুমগী মখুৎতা ২১–২৩,২১–১৯,২১–১৪ দা মায়থীদুনা স্কোর ২–০ দা শোথনা লৈরম্লবসু বোইজ দবলস,গার্লস দবলস অমদি মিক্স দবলসকী মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা স্কোর ৩–২ দা মায় পাক্লগা ফাইনেল চংখিবনি। বোইজ দবলসকী মেটচতা মণিপুরগী কে মঞ্জিৎ–কে দিঙ্কুনা অরুনাচল প্রদেশনা লা তলর–জোকোম রিবিয়াবু ২১–১৬,২৩–২১ দা, গার্লস দবলসকী মেটচতা মণিপুরগী এন পুর্নিমা–এম সোমিবালানা অরুনাচল প্রদেশকী পিঙ্কি কার্কি–তরিং য়ানয়াবু ২১–৬,২০–২২,২১–১৫ দা অমদি মিক্স দবলসকী মেটচতা মণিপুরগী এল উনিলকুার– এম সোমিবালানা অরুনাচল প্রদেশকী অক্সে রাইতো–তারিং য়ানয়াবু ১৬–২১,২১–১০,২১–১৭ দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা শান্নখিবা মেটচ অমদা অসাম্না সিকিম্বু স্কোর ৩–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। সেনিয়র টিম ইভেন্টকী শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা মিজোরামবু স্কোর ৩–২ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি। মেটচ অদুগী মেনস সিঙ্গলসতা মণিপুরগী এল উনিলকুমারনা মিজোরামগী সামুয়েল লালবু ২১–১৩,২৩–২১,২১–১৫ দা মায়থীবা পীখি। ৱুমেনস সিঙ্গলসকী মেটচতা মণিপুরগী এন অনিতা মিজোরামগী ভি এল হরিয়াপুইগী মখুৎতা ২১–১০,২১–১৯ দা মায়থীখিবগা লোয়ননা স্কোর অমমম মায় পাক্লদুনা লৈনখি।

মেনস দবলসকী মেটচতা মণিপুরগী দব্লিয়ু জেমস–আর সিনির মায় পাকখি। ৱুমেনস দবলসকী মেটচতা এন পুর্নিমা–এম সুনিবালা মায়থীখি অমদি মিক্স দবলসকী মেটচতা দব্লিয়ু জেমস–এন পুর্নিমা মায় পাক্তুনা মেটচ অদু স্কোর ৩–২ দা মায় পাক্লগা ফাইনেল চংখিবনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা অসাম্না মেঘলয়াবু স্কোর ৩–০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চংখি।

# ২০শুবা ৱিন্নর্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এস য়ুনা জে এস ৱাই সি ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯ :** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা হোম এন্দ এৱে বেসিস্তা চখরিবা ২০শুবা ৱিন্নর্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫গী ঙসি সাই গ্রাউন্দ তাকয়েল পাৎতা শান্নখিবা অহান্বা সেমি ফাইনেল মেটচকী অনিশুবা লেগকী মেটচ ওইনা এস য়ু শগোলবন্দ অমদি জে এস ৱাই সি সদর হিলসনা শান্নখিবা মেটচতা এস য়ুনা গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি অহান্বা লেগকী মেটচতদি জে এস ৱাই সিনা এস য়ুবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখিবনা টুর্নামেন্ট কন্দক রুলগী মতুং ইন্না জে এস ৱাই সিনা গোল এগ্রিগেটতা ৩–২ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলগনি।

এস য়ুগী মায় পাকপগী গোল অনি অদু ইনাওনা ৫৭শুবা মিনিত্তা পেনাল্টিদা গোল অমা অমদি অবোইনা অহাপ্পা মতমগী অনিশুবা মিনিট ৯২শুবা মিনিত্তা গোল অমা চনখিবনি। জে এস ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সৈগিনমাংনা ৮২শুবা মিনিত্তা চনখিবনি। মায় পাকখ্রবা এস য়ুগী ইনাও, চন্দ্রকান্ত অমদি অবোইদা রেফরিনা ৩২,৫৯,অহাপ্পা মতমগী অহান্বা মিনিট ৯১শুবা মিনিত্তা অমসুং জে এস ৱাই সিগী লেটমিন্থাংদা ১৬শুবা মিনিত্তা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

কে ঐচ ইবুঙো, এল ইবুঙো, আর কে রঞ্জন অমদি পি ঐচ লম্হোইবনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

## মেটচ কন্দক তৌগদবা ওফিসিয়েলশিং লাউথোকখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯ :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা ঙাংখম বোবোই মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫ অমদি নহাকপম অপাবী মেমোরিয়েল জুনিয়ার ফুটবোল লীগ ২০১৫ দা কন্দক তৌগদবা মেটচ ওফিসিয়েলশিং ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না লাউথোকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিং অদুদি মেটচ কমিস্নারদা কে এস ঐচ সরতচন্দ্র সিংহ, কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র সিংহ অমদি জেমস সিংহনি।

রেফরিশিংদা পি ঐচ লম্হোইবা, এন ইবুঙো, এল রোপেন, এন অরুন, এ বোরেন, এম ইনাও, ৱাই ইঙোবী, ঐচ অমর্জিৎ, কে অজিৎকুমার, দব্লিয়ু স্প্রিংসন, টি প্রেমজিৎ অমদি দব্লিয়ু সুর্জিৎনি। মেটচ কমিস্নার অমদি রেফরিশিংনা হয়েং নুংথিলগী পুং ১ তাবা মতমদা এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু মনিহারদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসনগী এসিস্তেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ ওজিৎনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ফাইনেল শান্নরগনি

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯ :** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা চখরকখিবা ২শুবা ঐচ পীশক মেমোরিয়েল ফর্স্ত দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫গী ফাইনেল মেটচ হয়েং সি ৱাই সি চীনিংকোন অমদি এন সি ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চীরুগা শান্নরগনি।

ফাইনেল মেটচ অসি হান্নদি তাং ২৮ দা শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি।

## প্লেয়ার্স ত্রোফি কাংগী ফাইনেল শান্নরগনি

এস এন এস

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯ :** য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিন্দুনা শ্রী শ্রী গোপাল দেব মান্দব, য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তা চখরকখিবা ১১শুবা প্লেয়ার্স ত্রোফি কাং টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ফাইনেল মেটচ নবেম্বর তাং ১ দা গোপাল দেব য়াইস্কুল অমদি অকু থাংমৈবন্দগা শান্নরগনি।

থৌরম অসিদা সোসিয়েল ৱার্কর থোকচোম সত্যাব্রত সিংহ অমদি হোটিকলচরগী রিটয়ার্দ দিরেক্তর আর কে কিরন সিংহনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি।


















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*